**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-07.2024)**

**কোতিশ্বর (এল)ঃ** সুপ্রিম কোর্টকী নৌনা জজ ওইরবা জষ্টিস-এন. কোতিশ্বরবু তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে। পনবা য়াবদি, মনিপুরদগী সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইবা খ্বাইদগী অহানবা মীওই অসি এন. কোতিশ্বরনা ওইরি।

হায় কোর্ট বার এসোসিয়েসন ওফ মনিপুর অমদি ওল মনিপুর বার এসোসিয়েসননা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জষ্টিস-কোতিশ্বরনা হায়-মনিপুর অসি নিংথৌ পানবা মনিং তম্বা লৈবাক ওইনা চহি কয়া চুপা পাল্লকখি। লমদম অসিদা লৈরিবা চিংমী অমসুং তম্মীশিংগী মরক্তা লিশাংশিংনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরকখি। অদুবু, হন্দক মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মীওই চা কয়াগী পুন্সি মাঙহনখিবদা য়ামা নুংঙাইতবা পোকই। মরম অদুনা, ওইথোকপা য়াবা লন্বী অমা থিদুনা ৱারী শান্নদুনা ৱাথোক অসি থুনা ৱারোইশিন পুরকবা পুন্না থৌদাং লৌমীন্নদুনা হোৎনমীন্নবা তঙাইফদে। হৌখিবা মতমশিংদা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরকখিবগী ৱারীশিং অদু নৌহৌননা নীংশিংদুনা অমুক হন্না লমদম অসিদা নুংশি চান্নবা অমদি তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনমীন্নসি হায়না জষ্টিস-কোতিশ্বরনা আপিল তৌরি।

থৌরম অদুদা, হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী জষ্টিস-অহন্থেম বিমোল, জষ্টিস-অরিবম গুনেশ্বর শর্ম্মা অমসুং জষ্টিস-গোলমৈ গাইফুলসিল্লু কবুই অমদি আইনগী লমদা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**কুমওন (এল)ঃ** সি.আর.পি.এফ. লিংখৎখিবগী ৮৬ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি ৮৬ বটালিয়ান সি.আর.পি.এফকী লমফেলপাৎতা লৈবা য়ুনিট হেদক্বাটরসতা

পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বটালিয়ন অসিগী কম্মান্দেন্ট-সৌরফ কুমার চৌধুরিনা লুচিংদুনা মশাগী মথৌ পাঙথোকপদা থব্রায়না পোন্থা পীখ্রবা জৱানশিংদা ইকায় খুমবা উৎখি। সি.আর.পি.এফনা লৈবাক অসিদা শান্তি, তংদু লৈতাবা অমদি অমগা অমগা নুংশি চান্নলা লৈমিন্নবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং কয়াবু পল্লদুনা মহাকা ঙসিগী কুমওন নুমিৎগা মরী লৈননা জৱানশিংবু মহাক্কী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোংদোকখি। তুংদা, বটালিয়ান অসিগী অকোইবদা উ চারাশিংসু থাখি।

অমরোমদা, সঙাইথেলদা লৈবা সি.আর.পি.এফকী পোষ্টতা ঙসি পাঙথোকপা সি.আর.পি.এফকী ৮৬ শুবা রেজিং ডেগী থৌরমদা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিংসু শরুক য়াদুনা পুন্না থৌরম পাঙথোকমীন্নখ্রে।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিংনা ঙসি অয়ুক জিলা অসিগী অঙাংচিং মনাক্তা লৈবা তেজপুর আই.বি.আরদগী কে.সি.পিগী মীওই অমা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-মহাক অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং ককজিলাদা মীয়ামদা নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকনি। মহাক্কী মথক্তা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিল্লি।

**বোম (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থঙ্গাপাৎ হরিখাগোক মপালদা লৈবা মীওই অমগী য়ুমদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা শকখঙদবশিংনা বোম লংশিল্লম্লে। অদুমওইনমক, বোম অদু পোকখায়হৌদবদগী পুলিস লাক্তুনা লোখৎখ্রে হায়রি।

থৌওং অদুবু য়ুথ দিবলপমেন্ট ক্লব-থঙ্গাপাৎ মপাননা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ চিংঙামখাদা লৈবা মীওই অমগী

য়ুমদসু ঙসি নুংথিল শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থমজিল্লল্লে হায়রি।

**লন্বী (এল)ঃ** ইম্ফাল-য়াইরিপোক লন্বী শেমজিনবীনবা দাবী তকশিনদুনা ওল কোংবা রোড য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসননা মতম কক্তুনা লন্বী থিংবগী খোঙজং চংশিল্লন্বা অদু সরকারগা য়ান্নবা পুরকপদগী হন্দোকখ্রে।

ওর্গনাইজেসন অসিগী মীহুৎশিংগা ৱার্ক্স মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমসুং পি.ডব্লিয়ু.ডিগী ওফিসিএলশিংগা পুন্ন উন্নদুনা ৱারী শান্নরবা মতুংদা লন্বী অসি শেমজিনবা হৌরগনি হায়বগী থাজবা পীরকপদগী খোঙজং অসি হন্দোকখিবনি হায়রি।

**উ (এল)ঃ** বন মহোতসবকা মরী লৈননা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী উৎলৌদা লৈবা রিলিফ কেম্পতা উ চারাশিং থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা হায়-পাক শন্না উ-ৱা থাননবগী পান্দমদা পাঙথোক্লিবা পালন থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা রিলিফ কেম্প অসিগী অকোইবদসু উ-ৱাশিং থাবনি। মসিনা মহৌশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিদগী কন্ননবা হোৎনবদা খরদং ওইরবসু মতেং পাংবা ঙমগনি। রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা রিলিফ কেম্প অসিবু লুনা-নান্না থম্বগীদমকসু মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি। রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী হকশেলগী কার্ড অমদি লেবর কার্ডনচিংবা ফংদ্রিবশিং অথুবা মতমদা ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু মন্ত্রিনা থাজবা পীরমখি। মন্ত্রিনা হায়-

শ্রী বসন্তকুমারনা ঙসি নম্বোল লৌরেম্বমগী কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা পি.এম.জে.এ.ৱাইগী হেলথ কার্ড ৫০০ য়েন্থোকখি।

**ফোরেষ্ট (এল)ঃ** সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-এন. গনেসকী লমজিং মখাদা রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসারশিং অমসুং ষ্টাফ ১০০

হেনবনা ঙসি হৈঙাং রিজাব ফোরেষ্টকী অকোইবদা খোংনা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদু মারজিং এরিয়াদগী হৌরগা পাংগৈ লম্বী তাবা কাইরাং মুস্লিম এরিয়া ফাওবা চৎখি। খোঙচৎ অসি রিজার্ব ফোরেষ্টতা লম খোপচিনবশিং মশক খঙদোকপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা লম খোপচিল্লিবা অদু হন্দোকবা খঙহল্লমখি। মখা তানা রেঞ্জ অসিদা লম খোপচিল্লম্বশিং অমদি চিং লৈবাক কোৎথোকপশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবকশিং লৌখৎনবা হোৎনগনি হায়রি।

**সলামন্দর (এল)ঃ** অহানবা তাদুই তাকো ফেষ্টিবেল ঙসি কাংপোকপী জিলাগী থোংলাং অকুৎপা ভিলেজতা লোয়শিনখ্রে।

ফেষ্টিবেল অসিগী লোয়শিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দিপার্টমেন্টকী ওফিসিএলশিং, মফম অদুগী খুলগী লুচিংবশিং, সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং অতৈ মরি লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা জাইমেং পাৎতা চৎতুনা য়েংশিনখি।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমী-বাহুগুনৈ সিংশিৎনা হায়-পাৎ অসি সমুদ্র ইমায়দগী মিটর লিশিং ২,১৭৬ ৱাংনা নেসনেল হায়ৱে টুগী কাংপোকপীদগী কিলোমিটর ২২ রোম চৎলগা লৈবনি। পাৎ অসিদা মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈরিবা অতাংবা জিবা-হিমালয়ান কোর্কোদাইল নুয়েট নৎত্রগা সলামন্দর টাইলোটোরিয়ম হায়না খঙনবা শা মখল অসি ফংই।

খোঙচৎ অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দিরেক্তোরেটকী প্রোগ্রাম ওফিসার-এস.কে. গাইনাইমৈনা হায়-মনিপুরগী অৱাংবা মফমদা তাংনা ফংলিবা সলামন্দর অসি নিংথিনা ঙাকপী শেনবীদুনা য়োকখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মসিদা পাৎ অসিগী অকোইবদা খুন্দারিবা মীয়ামগী চাউরবা মতেং তঙাইফদে।

**হার (এল)ঃ** সোসিল ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোগী লমজিং মখাদা সেকমাই কেন্দ্রগী খুঙ্গং খরদা ঙসি অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা সরকারনা লেপ্পা মমলদা যুরিয়া হার য়েন্থোকখ্রে। হার য়েন্থোকখিবা খুলশিং অদুদি-শেনজম চিরাং, সেনজম খুনৌ, খুরখুল, কান্তো অৱাং লৈকাই অমসুং মখা লৈকাই লোইতাং লৈকিনথাবী, অৱাং সেকমাই অমদি কংলাতোন্বীদনি।

খোঙথাং অসিগী মতাংদা শ্রী দিংগোনা হায়-ৱানা হোৎনদুনা লৌ পাল্লিবা লৌমীশিংদা হারগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা থৌরাং অসি পায়খৎপনি। অতৈ লেমহৌরিবা মফমশিংদসু মখা তানা হার ফংহন্নবা হোৎনগনি।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** মহৈ লোইশঙশিং অমদি মহৈ লোইশঙগা মরী লৈনবা পুমমক্তা মখল অমত্তগী অয়েৎ-অপন পীবিগনু হায়না কোওর্দিনেটিং কমিতি ওফ দিসটরভেন্স ফ্রি এদুকেসন জোন দিমান্দনা চংশিল্লকপা খোঙজংবু শৌগৎলদুনা ঙসি থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মহৈ লোইশঙশিংদা খোঙজং চংশিনখ্রে।

ৱাংজিংদা লৈবা ৱাই.কে. কলেজকী কেম্পসতা মহৈ মশিংগা মরী লৈনবা থবক থৌরমদা অয়েৎ অপন পীবিগনু হায়না ৱাকৎ মীফম ফমখি। মখা তানা থৌবাল কলেজ, রুরেল একাডমী ৱাংজিং, কে.এম. ব্লুমিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুল, প্রোগ্রেসিপ ইংলিস স্কুল-লমদিং, চাউয়াইমা হয়ার সেকেন্দরি স্কুল-থৌবালগী মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লম্বীগী নাক-য়েৎতা লেপ্তুনা খোঙজং চংশিনখি।

জেট.ই.ও. জোন থ্রি থৌবালগী মখাদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙ ২১৫ গী ওজাগী মীহুৎশিংনা থৌবাল আথোকপম কৈথেলদসু ৱাকৎ মীফম চত্থখি। য়াইরিপোক বজারগী মেমোরিএল মোদেল একাডমীগী মহৈরোই অমদি ওজাশিংনসু স্কুল অসিগী কেম্পসতগী হৌরগা য়াইরিপোক কৈথেল ফাওবা রেল্লি চৎখি।

মহৈ লোইশঙশিংবু ফ্রি জোন ওইহনবীয়ু হায়দুনা ককচিংদা লৈবা লাংমৈদোং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা, স্কুল অসিগী ওজা অমসুং মহৈরোইশিংনা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখি।

**এআর (এল)ঃ** উখ্রুল জিলাগী সংসদ মনাক্তা ঙসি বোলেরো অমা এক্সিদেন্ট থোকপদা মফম অদুদা লৈবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিংনা মতেং পাংখ্রে। অশোকপশিং অদু সংসদ বটালিয়নগী য়ুনিট হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাগী য়াংঔবুং ভিলেজতা ঙসি ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

**উত্র (এল)ঃ** উত্র শঙলেন সনা কোনুংনা শিনদুনা ঙসি কংলা ইথোং ফাৎপা, উত্রোং হোংবা অমদি পাখংবা মীকোল চংবা থৌনিবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা লাইথৌ থৌরমশিং অসিদা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী মাইচৌ, মাইবী, অমাইবী, পেনা অমদি অঙোম নিংথৌ অমদি ফমাইবশিং শরুক য়াখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** ৱাংজিং তেন্থা সি.দি. ব্লোক্কী মখাদা লৈবা লৈরোংথেল-নিঙেল গ্রাম পঞ্চায়টকী শেনবা চহি ২০২০-২১ গী এম.জি-নরেগা অমসুং প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা-গ্রামিনগী সোসিএল ওদিট গ্রাম সভা ঙসি পঞ্চায়ট অসিগী খোইরোম হৈত্রোইপোকপীদা পাঙথোকখ্রে।

**ককচিং (এল)ঃ** খা-মনিপুর ককচিংগী ৫৮ শুবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ককচিংগী এম.এল.এ. ময়াংলাংম্বম রামেশ্বরনা হায়-কলেজ অসিনা লমদম অসোমদা মহৈ মশিং তম্বগী লমদা লৌরিবা থৌদাং অসি থোইদোকা থাগৎনিংঙাইনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী মহৈরোইশিংনাজগোই ঈশৈ অমসুং দ্রমা শান্নদুনা উৎখি। মহৈরোইশিংগী

ওইবা কুইজকা থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**ফল (এল)ঃ** দি.এম. কলেজ ওফ টিচর এদুকেসনদা ইং ২০২৪-২৬ কী ওইনা বিয়েদ তমনবা পাঙথোকখিবা এন্ট্রান্স টেষ্টকী ফল লাউথোক্লে। অকুপ্পা মরোল কলেজ অসিগী ৱেব সাইট-ডব্লিয়ূ ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু দোট দি.এম.সি.টি.ই. দোট এ.সি. দোট ইনদগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

**নিতিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভিক্সিত ভারত ২০৪৭ অসি ভারত মচা পুমমক্কী অচৌবা আশা অমনি। নিতি আয়োগকী ৯ শুবা গভরনিং কাউন্সিলগী মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-রাজ্যশিংনা মফমশিং অদুগী মীয়ামগা হকথেংননা মরী লৈনদুনা পান্দম অসি থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনবদা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

মহাকা হায়-হৌজিক্কী মতম অসি লম কয়াদা অহোংবা পুরকবা কন্না হোৎনগদবা মতমনি। মতম অসিদা টেকোলোজি অমসুং জিও-পোলিটিক্সকী লমদা অহোংবা খুদোংচাবা কয়া লৌহৌনবা হোৎনগদবনি। ভিক্সিত ভারতকী মংলান অসি শোয়দনা মংফাওনবা ঙমগনি হায়না থাজবা ফোংদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মসিগীদমক মীরৈবাক্তগী শেল থাদবা য়াওনা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা কন্না হোৎনরি। খোঙথাং অসিনা ভারতপু চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহনবা ঙমগদৌরিবনি।

শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিনা চহি ১০০ গী মনুংদা অমুকখক্তমক থোকপা লায়চৎ মায় পাকা থেংনবা ঙমদুনা অচুম্বা মায়কৈরোমদা খুমাং চাউশিন্না চংশিল্লি। ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা নহারোলগী মশিং য়ামা লৈরি হায়রদুনা মালেমগী মীয়ামনা ভারতকী নহারোলশিংবু তৌবা ঙম্বা শক্তিদা মীৎয়েং থমলি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ১১২ শুবা মনকি বাট-পুকিংগী ৱা হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি। হন্দক্কী অসিনা শ্রী মোদিগী অহুল্লক শুবা টার্মগী অনিরক শুবা ইপিসোদনি।

থৌরম অসি অকাশবানি অমসুং দুরদর্সন অমদি এ.আই.আর নিউজগী ৱেব সাইট অমসুং নিউজ ওন এ.আই.আর মোবাইল এপপতসু তাবা ফংগনি। এ.আই.আর নিউজ, দি.দি নিউজ, পি.এম.ও অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা মদুগী মনিপুরি ৱাহন্থোক অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কুনা তাহনগনি। মসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। হায়রিবা থৌরমশিং অসি এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু নুমিৎসিমক্তদা শন্দোক্কনি। দাইলেগ লোলশিংদনা মথং নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**ওলিম্পিক্সঃ** পেরিস ওলিম্পিক্স ২০২৪ গী মেদল টেল্লিদা চাইনানা সনাগী তকমান অনি ফংদুনা পুমমক্তগী মাংজিল থারি। সাউথ কোরিয়া অমসুং আমেরিকানা লুপাগী তকমান অমমম ফংদ্না অনিশুবদা লৈরি। গ্রেট ব্রিটেননা গেমস অসিদা শেঞ্জেংগী তকমান অমা ফংলি।